# ‘ইরান– য়ু এস’ অমসুং ‘রসিয়া– য়ুক্রেন’গী লান অনিগী মরক্তা মরী লৈনব্রা হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা থোরক্লে, ইরানগী দ্রোন কাপথবদা য়ুক্রেননা মতেং পাংখি হায়রি





কিব, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিম্যার জেলেনস্কিনা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা থা ১ রোম চুপ্পা চত্থখিবা লান অদুদা ইরানগী মায়কৈদগী গল্ফ লৈবাকশিংদা এটেক চত্থবদা শিজিন্নখিবা সাহেদ দ্রোন করপথনবা য়ুক্রেন আর্ম ফোর্সনা গল্ফ লৈবাকশিংদা মতেং পাংখি হায়না ফোঙদোরকখ্রে। প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা নৌনা ফোঙদোরল্লিবা ৱাফম অসিনা ইরান–য়ু এস অমসুং রসিয়া–য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসি মরী লৈনরব্রা হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা থোরক্লে।

ইরান অমদি য়ু এসকী মরক্তা সিজফয়ার থমদুনা পিছটোক চত্থনবা হোৎনরিঙৈ য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা হায়, য়ু এস অমদি য়ুক্রেনগা মপাঙ ওইনা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংদা মতেং পাংবা ওইনা মিদ্দল ইষ্ট লৈবাকশিংদা ইরাননা দিজাইন তৌবা সাহেদ দ্রোন শিজিন্নদুনা এটেক চত্থরকখিবা অদুবু থিংননবা হোৎনবদা য়ুক্রেনগী লৈরিবা মিলিটরিশিংগী মায়কৈদগী মথৌতাবা মতেং পূন্নমক পাংখি।

ইরাননা মিদ্দল ইষ্ট লৈবাকশিংদা এটেক চত্থবদা শিজিন্নখিবা দ্রোন অদুগা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মথক্তা এটেক চত্থবদা শিজিন্নরিবা দ্রোন অসিগা চপ মান্নে।

য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী মিদ্দল ইষ্ট লৈবাকশিংদা পাংখিবা মতেং অদু ট্রেনিং মিসন নৎত্রগা এক্সরসাইজ চত্থবগী শরুক অমা নৎতে। য়ুক্রেনগী লৈরিবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অদু শিজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী মরী শেমগৎপনি।

য়ুক্রেননা চত্থখিবা ওপরেসন অদু ইরান অমদি য়ু এসকী মরক্তা সিজফয়ার থমদুনা নুমিৎ ১৪নি খূৎ থান্নবা লেপ্তুনা পিছ টোক চত্থরগনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা চত্থখিবনি।

রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্লরিবা লানগী মতাংদা পল্লদুনা প্রসিদেন্ট জেলেনস্কিনা মখা তানা হায়, ইরাননা গল্ফ লৈবাকশিংদা চত্থরিবা দ্রোন এটেকশিংদগী ঙাকথোক্লনবা য়ুক্রেনগী আর্ম ফোর্স কয়া সেন্সিটিব ওইবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওপরেট তৌদুনা লৈখি। ওপরেসন অসিদা য়ুক্রেনগী মিলিটরি ওপরেসন এক্সপার্ট ২২৮ শিজিন্নখি। হায়রিবা ওপরেসন অসি কনানা মতেং নিরকপদগী মতেং পাংখিবনো হায়বদি মহাক্না ফোঙদোক্তনা লৈরি।

রসিয়াগা শোক্লরিবা লান অসিদা য়ুক্রেনগা মপাঙ ওইনা চৎমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী ষ্ট্রেটেজি, ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্টস অমদি লৈবাক অসিগী লৈজরিবা ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ঙাক শেন্দুনা থন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলকখি। অসিদা নৎতনা পেট্রোল অমদি দিজলগী মতাংদসু ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা কয়া লৈরে।

য়ুক্রেননা গল্ফ লৈবাকশিংদা পাংলিবা মিলিটরি ওপরেসন অসিগী খূৎলং–লমন ওইনা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদগী ফংলিবা খুদোঙচাবশিং অসি লৈবাক অসিগীদমক্তদি চাওথোকচনিংঙাই অমনি।

য়ু এসকী হোংলক্লিবা অনৌবা পোলিটিকেলগী ওইবা মাইওন অসিনা য়ু এস অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লৈরিবা দিপ্লোমেসিগী মরী অসি মতমগী মতুং ইন্না হোংখিবা য়াই। অদুবু মিদ্দল ইষ্ট লৈবাকশিংদা য়ুক্রেননা পাংলিবা অমসুং মখা তানা পাংগদৌরিবা মতেং কয়া অসিদগী য়ুক্রেনগা মপাং ওইনা চৎমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম কয়া লেপ্তুনা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অমরোমদা রসিয়ানা মখোয়গী থাও মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লল্লোন ইতিক তৌবদা য়ু এসকী মায়কৈদগী মপুং ফানা থিংজিন্দুনা থমহন্নিংবগী অপান্থা জেলেনস্কিনা ফোঙদোরক্লি।

ইরান অমদি য়ু এসকী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ হান্নগী মতৌগুম মথৌ পাঙথোকপদা ইরাননা থিংজিন্দুনা থমখিবা অসিনা রসিয়ানা হান্নদগী মমল হেন্না তোঙান তোঙানবা মালেমগী কৈথেলদা থাও য়োনবগী থবক অসি থিংজিনগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। নিংশিবা য়াবদি ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজ থিংখিবা অসিনা য়ু এসনা রসিয়াগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা অদু তঙাইফদনা কোমথোকখিবসু লৈখ্রবনি।

## য়ুক্রেনগা পুং ৩২গী সিজফয়ার চৎনরগনি হায়না রসিয়ানা লাউথোকখ্রে



মোস্কো, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):

রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা চহী ৪ হেন্না শোক্লদুনা লৈরিবা লান অসি পুং ৩২গী সিজফয়ার চৎনরগনি হায়না রসিয়ানা লাউথোকখ্রে।

খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী য়ান্না মরুওইবা লাইনিংগা মরী লৈনবা থৌরম অমা ওইরিবা ওর্থোদোক্স ইষ্টরগা মরী লৈননা রসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ারসনা এপ্রিল ১১দগী এপ্রিল ১২ পূন্না পুং ৩২ চুপ্পা রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনরগনি হায়না লাউথোরকখিবনি।

রসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ারসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না সিজফয়ার অসি লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবদগী হৌরগা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা চৎনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা মতুং ইন্না য়ুক্রেনগা পুং ৩২ সিজফয়ার চৎননবা খঙহনখ্রবসু সিজফয়ার চৎনরিঙৈ করিগুম্বা য়েক্লবা য়ুক্রেননা রসিয়াগী মথক্তা অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা এটেক চত্থরক্লবদি খুদক্তা খূৎ হন্দুনা রসিয়াগী ঙমখৈ ঙাক–শেন্নবগীদমক লৈবাক অদুগী ঙমখৈ পরিং অমদি সেন্সিটিব ওইবা মফমশিংদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌরিবা রসিয়ান আর্ম ফোর্সশিংনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈগদবনি খঙহনখ্রে হায়নসু লৈবাক অদুগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফিয়ারসনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ইজরেলগা সিজফয়ার চৎনদুনা ৱারী শান্নরবা মতুংদা সোল্যুসন পুরকপা ঙমগনি: জোসেফ



বৈরুট, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনখ্রবসু ইজরেলগী মায়কৈদগী লেবাননগী বৈরুটতা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থদুনা য়াম্লবা মীওই কয়া হাৎখিবা, মীওই কয়া অমনা অশোক অপনব নংহনখিবা অসিনা মরম ওইদুনা লেবানন অমদি ইজরেলগী মরক্তা লৈরিবা কনফ্লীক অসি সিজফয়ার থমদুনা ৱারী শান্নরবা মতমদতা কনফ্লীক অসি লোইশিনবা ঙমগনি হায়না লেবাননগী প্রসিদেন্ট জোসেফ আউননা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলগী ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না মেরোনাইট কম্যুনিটিশিংনা নন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা লৈবাকশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুং লেবাননগী প্রসিদেন্ট জোসেফনা সিজফয়ার থমদুনা ৱারী শান্নবা নৎতনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা কনফ্লীক অসি লোইশিনবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরকখিবনি। ইজরেল অমদি লেবাননগী মরক্তা সিজফয়ার চৎনদুনা ৱারী শান্নবা লেবাননগী প্রসিদেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়ানসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

নাকল অমরোদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা লেবানন লৈঙাক্কী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নবা মহাক্কী ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখিবসু লৈখ্রে হায়রি। অদুবু নাকল অনিগী মরক্তা সিজফয়ার থমদনা ৱারী শানবগী থৌওং চত্থরবদি ইজরেলগী মায়কৈদগী লেবাননগী বৈরুটতা মখা তানা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়না ইজরেলগী ওফিসিয়েলশিংনা খঙহলক্লি হায়না মমিং লৈরবা মালেমগী ন্যুজ এজেন্সি দ গার্জিয়াননসু রিপোর্ট তৌরক্লি।

## এপষ্টাইনগা মখল অমত্তগী মরী লৈনদে : মেলানিয়া ট্রম্প




ৱাসিংটন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):

জেফ্রি এপষ্টাইনগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মরী লৈনদে। এপষ্টাইনগা মরী লৈনৈ হায়না তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংনা রিপোর্ট তৌনরিবা অসি অরানবনি হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী লোয়নবী মেলানিয়া ট্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

জেফ্রি এপষ্টাইনগা ঙসি ফাওবা মখল অমত্তগী মরী লৈনখিবা লৈতে। এপষ্টাইগা মহাক্না মরী লৈনৈ হায়না তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংনা মহাক্কী ফোটো অমদি ভিদিওশিংবু শেমজিন শাজিন্দুনা এপষ্টাইনগা মতম কয়াগী মমাঙদগী মরী লৈনরকখিবা মান্নবা হোৎনরক্লিবা অসি মহাকপু ইকায়বা পীবনি। ঙসি ফাওবা মহাক্কী মপুরোইবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি মহাকপু জেফ্রি এপষ্টাইনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা ইনভাইট তৌরকখিবা লৈতে হায়নসু মেলানিয়া ট্রম্পনা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াবদি দোনাল্ড ট্রম্প য়াওনা য়ু এসকী ফার্ষ্ট লেদি মেলানিয়া ট্রম্প চহী অমরোম অসি এফষ্টাইনগা মরী লৈনৈ হায়বগী তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংনা রিপোর্ট তৌদুনা লাক্লবসু হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা মেলানিয়া ট্রম্পনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা কাংথোক্তনা লাকখিবনি।

### Crossword # 1003



Across
1. Shakespeare, e.g.
5. Scandinavian capital
9. Poe's middle name
14. Toledo's waterfront
15. On
16. Actress ____ Keaton
17. Fender nick
18. Marathon, e.g.
19. Hair dye
20. Legendary stories
22. Tavern employee
24. Shade of green
26. Hideout
27. Eternal
30. Glowing (hyph.)
35. Pension plan (abbr.)
36. On land
39. Aria singer
40. Jewish feast
42. Flock member
43. Revolt
44. Malicious look
45. Spicy sausage
47. Before, in verse
48. Infuriate
50. Vacation spots
52. Stable morsels
55. Coastal bird
56. Spotted dog
61. Type of drum
64. Around
65. Sword fight
67. Tiny particle
68. Unenthused
69. Penny ____
70. Group of players
71. Sight or smell
72. Endure
73. Circular current
Puzzle Grid

Down
1. Berths
2. Region
3. Criminal mastermind
4. Minor item
5. Rowing tool
6. Pierce
7. Regional
8. "Carmen," e.g.
9. Stick fast
10. Legal hold
11. Solid ground
12. Actress ____ Bancroft
13. Adjacent
21. Greasy streak
23. Fatigue
25. Snaky letter
27. Bride's walkway
28. Putting ____
29. Mets' old stadium
31. '50s monogram
32. Slept through winter
33. Open to view
34. Stories
37. Hooting bird
38. Bring up
41. Period in history
43. Moves upward
45. Chair
46. Came across
49. Pointed beard
51. Elaborate
53. Wave type
54. Steam bath
56. Specks
57. Ready, willing, and ____
58. Borrowed money
59. Tousle
60. Court dividers
62. Highway
63. Television award
66. Lease

পাউখুম লমায় ৯দা ...

## ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজতা য়ু এসকী দ্রোন মফম খঙদনা মাঙখ্রে



ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি): য়ু এস নেভিগী দোল্লর ২০০ মিল্লিয়ন পীবা সর্ভিলিয়েন্স দ্রোন এম কিয়ু–৪সি অমা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজকী নোংথক্কী লম্বীদা সর্ভিলেন্স চত্থরিঙৈ মফম খঙদনা মাঙখ্রে ।

সোসিয়েল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা দাটা ট্রেক তৌদুনা ফ্লাইট ট্রেক্কিং তৌবদা শিজিন্নবা য়ু এস নেভিগী মমল য়াম্লবা এম কিয়ু–৪সি ট্রিটোন সর্ভিলেন্স দ্রোন অদু ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুজগী নোংথক্কী লম্বীদা সর্ভিলেন্স তৌরিঙৈ কোদ ‘৭৭০০’ ট্রসমিটরদা থারক্লম্লবা মতুং মফম খঙদনা মাঙখিবনি হায়রি।

য়ু এসকী দ্রোন মফম খঙদনা মাঙখিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা সেসিয়েল মেদিয়া য়ুজরশিংনা হায়রিবা দ্রোন অদু ইরাননা মিসাইল কাপশিন্দুনা থুগাইখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

নাকল অমরোমদা হায়রিবা দ্রোন মাঙখিবগী থৌদোক অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ু এস মিলিটরি অমদি নেভিগী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল ওইবা ইনফোর্মেসন অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা শোক্লখিবা লান অদুদা য়ু এস নেভিগী এম কিয়ু–৪সি ট্রিটোন সর্ভিলেন্স দ্রোন অসি য়ু এসকী মিলিটরি ওপরেসনদা য়ান্না চাওনা শিজিন্নখি হায়নসু থাজনরি।

## ‘পি এম নেটান্যাহুনা জেলদা লৈরগনি হায়বা কিবদগী য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা থল্লিবা সিজফয়ার অসি থুগাইবা পাম্লি’



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি):

য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা লৈরিবা সিজফয়ার অসিনা করিগুম্বা নাকল অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবদি ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা চত্থরিবা করপসনগী থৌওং অসি ট্রায়েল চত্থদুনা মরালগী মতুং ইন্না জেলদা লৈরগনি হায়না কিবদগী, মহাক্না সিজফয়ার অসি মরম অমা নৎত্রগা মরম অমনা থুগাইনবা হোৎনরি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর সয়েদ অব্বাস অরাকসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর সয়েদ অব্বাস অরাকসিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল সোসিয়েল মেদিয়া এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা লাক্লিবা থা অসিগী ১২দা ৱারী শান্নবা থৌরাং তৌরি। ৱারী শান্নবা অসিদা মায়কৈ অনিগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা রিজন অসিদা ইং–তপ্পা হঞ্জিলক্লবদি ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুগী মথক্তা লৈরিবা করপসনগী চার্জশিং অসি ট্রায়েল চত্থদুনা মরালগী মতুং ইন্না জেলদা মীয়াত তারগনি হায়না কিবদগী নেটান্যাহুনা সিজফয়ারগী চৎন কাংলোন থুগাইননবা মায়কৈ কয়াদগী লাল্লোং কয়া চত্থরি। লাল্লোংশিং অসিগী মরক্তা লেবাননগী বৈরুটতা ইজরেলনা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থদুনা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়া হাৎখিবা অমদি মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অসিসু অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা চহী ২০২০দগী হৌদুনা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহু ফ্রোদ, থাজবা মাঙহনবা অমদি সেঞ্জা থুমজা তৌবগী চার্জ কয়া মায়োক্লন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু ইরান অমদি ইজরেলগী মরক্তা থোক্লিবা কনফ্লীক অসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবা চার্জশিং অদু ইজরেলগী কোর্টতা ট্রায়েল চত্থবা ঙমদনা লাকখিবনি হায়রি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর সয়েদ অব্বাস অরাকসিনা নৌনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা নুমিৎ ১৪নি চুপ্পা সিজফয়ার থমদুনা পাকিষ্টানগী ইস্লামাবাদকী পিছ টোক চত্থনবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা ইজরেলনা লেবাননগী বৈরুটতা এয়ারষ্ট্রাইতো চত্থখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং দনি।

অরাকসিনা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা ৱারী শান্নবা অসিদা ইজরেলগী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী দিপ্লোমেসি চত্থহল্লোইদবনি। য়ু এসকী মায়কৈদগী চৎনা কাংলোন ২৫দা ইরানগা য়ান্নদুনা থল্লিবা সিজফয়ার অসি দোনাল্ড ট্রম্পনা ঙাক্তুনা থন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু অরাকসিনা দোনাল্ড ট্রম্পদা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

অমরোমদা য়ু এস অমদি ইরানগী মরক্তা সিজফয়ার থমদুনা ৱারী শান্নদুনা রিজন অসিদা ইন–তপ্পা হঞ্জিলক্লবা হোৎনরিঙৈ নেটান্যাহুগী মথক্তা লৈরিবা ট্রায়েল অসি মখাতানা চত্থরক্লিবদি রিজন অসিদা পোলিটিগলগী ওইবা অচৌবা চরাংনবা কয়া থোকপা য়াই হায়নসু এক্সপার্টশিংনা মত পীনরক্লি।

## জুন্তা চীফ মিন উংলেং ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



নেপিদো, এপ্রিল ১০(এজেন্সি):

জুন্না চীফ মিন উংলেং ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্তা চীফ ফম থাদোক্লবা মতুং প্রসিদেন্ট ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখিবনি।

প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিবা অসি লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী ন্যু ইয়ারগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাটর ফেষ্টিবেলগী মাঙজৌননা লৈবাক অসিদা দেমোক্রেসি হঞ্জিল্লক্লে হায়না উৎননবগী পান্দমদা ঙসি ম্যান্মারগী জুন্তা চীফপু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

ম্যান্মারগী জুন্তা চীফপু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং মহাক্কী লৈঙাক্তা য়াওগদৌরিবা মিনিষ্টরশিংসু ৱাশক লৌখি হায়রি। ঙসি নৌনা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবদা য়াওরিবশিং অদু মহাক্না ম্যান্মার মিলিট্রিগী চীফ ওইরিঙৈ মহাক্কী মখাদা লৈদুনা মিলিটরিদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা অখন্নবা মিলিটরি ওফিসার শিংনা অয়াম্বনি।

ম্যান্মারগী জুন্তা চীফপু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা চাইনা, ইন্দিয়া, থাইলেন্দ অমদি য়ূমথংনরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

নিংশিংবা য়াবদি নোবেল পিছ প্রাইজ ৱিনর ওং সাং সু চিনা লুচিংবা ম্যান্মারগী গভর্ণমেন্ট হৌখিবা চহী ২০২১দা ম্যান্মারগী মিলিটরি চীফ মিন উংলেংনা মিলিটরি কু তৌদুনা চহী কয়া জুন্তাগী লৈঙাক থমদুনা লাকখিবনি।

## এ আইদা হেন্না চংশিন্নবা ওরেকলগা কম্পেনিগী ইমপ্লোয়ী ৭০০ থবক্তগী লৌথোকখ্রে





কালিফোনিয়া, এপ্রিল ১০(এজেন্সি):

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা টেক্নোলোজিগী কম্পেনি অমা ওইরিবা কালিফোর্নিয়াদা বেজ তৌবা ওরেকল কম্পেনিগী এমপ্লোয়ী ৭০০ থবক্তগী লৌথোকখ্রে।

ওরেকল কম্পেনিনা কম্পেনি অসিগী ইমপ্লোয়ী ৭০০ খুদক্তা লৌথোকখিবা অসি আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স (এ আই)দা হেন্না এক্সপান্সন তৌননবগী পান্দমদা লৌথোকখিবনি হায়রি।

ওরেকল কম্পেনিগী ইন্দিয়া য়াওনা কেনেদা, মেক্সিকোনচিংবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা এমপ্লোয়ীশিংদা থবক্তগী লৌথোকপগী ৱারোল অসি মশা মশাগী ই–মেলশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা কম্পেনিগী মায়কৈদগী থারকখিবনি হায়রি।

নিংশিংবা য়াবদি হৌখিবা মার্চ ৩১দা কলিফোর্নিয়াদা হেদ ক্বার্টর ওইবা মালেমদা মমিং লৈরবা টেক্নোলোজিগী লমদা খ্বাইদগী চাওবা কম্পেনি অসিনা এমপ্লোয়ী ৩০,০০০ থবক্তগী লৌথোক্লগনি হায়না মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ওরেকল কম্পেনিগী এমপ্লোয়ীশিং থবক লৌথোকপা অসিদা ইন্দিয়াদা য়ান্না চাওনা অকায়বা পীখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা থবক লৌথোকপা অসিদা পূন্না এমপ্লোয়ী চাওরাক্লা ১২,০০০ য়াওখ্রে হায়রি।